**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ওপরেসন শিন্দুরদা মথৌ পাঙথোকখিবা মণিপুরদগী স্কৱাদ্রোন লিদর রিজৱান মালিকতা রাজ্য সরকারনা লুপা লাখ ১০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

২) থাদৌ লিটরেচর সোসাইতি অসামগী চেয়ারমেন নেকাম জোমহাও হাৎখিবগী থৌওং মাইকৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লি।

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সনা লিলোং হঙ্গামথাবীদা লৈবা মীওই অমগী য়ুমদগী দব্লিয়ু ৱাই তেব্লেট কিলোগ্রাম ২ হেন্না ফাগৎপা ঙমখ্রে।

৪) রাজ্য অসিদা চেল্লিবা সরকার অমদি লনাইগী বসশিংনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওইশিংনা তোংবদা ভারা লৌদনবা সরকারনা খঙহল্লি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা রসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ভ্লাদিমির পুটিনগা এস.সি.ও মীফম লোইরবা তুংদা চাইনাগী তিয়ানজিনদা উন্নখ্রে।

------

গভর্নর (এল)ঃ ওপরেসন শিন্দুরদা মথৌনা লৈনা মথৌ পাঙথোকখিবা অদুব মশক খঙবা ওইনা ভারত সরকারনা হন্দক বির চক্র পীদুনা ইকায় খুমবা উৎলকখ্রবা মণিপুরদগী ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সতা স্কৱাদ্রোন লিদর ওহনা থবক

তৌরিবা রিজৱান মালিকতা রাজ্য সরকারনা লুপা লাখ ১০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

স্কৱাড্রোন লিদর রিজৱান মালিক মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিং য়াওনা ঙসি রাজ ভবনদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নখি। উন্নবা অদুদা রাজ্যপালনা রিজৱান মালিকনা ওপরেসন শিন্দুরদা লৈবাক অসিগীদমক মথৌনা লৈনা মথৌ পাঙথোকখিবা অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাক্কী মথৌনা অসিনা হৌরক্লিবা নহাশিংদা পুকিং থৌগৎপদা নত্তনা জাতি অসিগী চাউথোকচনিঙাই ওইরি হায়না রাজ্যপালনা ফোংদোকখি। লৈবাক অসিগী আর্মদ ফোর্সেস পার্সোনেলশিংগী থৌনাবু রাজ্য সরকারনা মতম পুমমক্তা শৌগৎলি হায়না মহাকা মখা তাখি।

অসিনিকুমার (এল)ঃ  এল.দি.এগী হান্নগী চেয়ারমেন ওইরম্বা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাংলোই মোইরাংথেম অশিনিকুমারনা ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিং নিংথিনা খুন্দা লৈতাহন্নবা, মখোয়গী হকশেল, মহৈ মশিং অমসুং হিংননবগী লম্বী নিংথিনা ফগৎহনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া পুখৎতুনা খঙহনখ্রে।

উন্নবা অদুদা মোইরাংদগী থাঙ্গ ফাওবগী লম্বী মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎপা, লোক্তাক পাৎতা থোং শাবা, থাঙ্গ কেন্দ্রদা নেসনেলাইজ বেঙ্ক ব্রাঞ্চশিং অমদি এ.টি.এমগী বুথশিং হাংবা, লোক্তাক পাৎকী তকমুদা ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্স শেমগৎপনচিংবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

অমরোমদা, থোকচোম রাধেশ্যাম এম.এল.এনা ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি ইং তপ্পা পুরকবগী মতাংদা খন্নখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী রাধেশ্যামনা হায়- উন্নবা অদুদা হৈরোক্তা কম্যুনিতি হেলথ সেন্তর শেমগৎপা, হৈরোক হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী হোষ্টেল অমসুং ওদিতোরিয়ম শানবগী মতাংদা রাজ্যপালগা ৱা

খন্নখি।

কন্দেম (এল)ঃ থাদৌ লিটরেচর সোসাইতি অসামগী চেয়ারমেন নেকাম জোমহাও হাৎখিবগী থৌওং অদুবু তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) মণিপুরনা চেরোল অমদা হায়- কাংলুপ মশেল নুংশি চান্ননা হিংমিন্ননবা অমসুং থাদৌ ফুরুপকী শক্তম অমদি সাহিত্য চাউখৎহন্নবা হোৎনরম্বা নেকাম জোমহাও মীনুংশি য়াওদনা হাৎখিবগী থৌওং য়ানিংদে। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদা লুপ অসিনা শরুক য়ারি হায়রি।

মণিপুর পিপলস পার্তি (এম.পি.পি)নসু মীহাৎ অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। চেরোল অমদা দল অসিনা হায়- মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা খুৎলায় পায়বা তেরোরিষ্টশিং সরকারনা অকনবা চৈরাক পীগদবনি অমসুং সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন খুদক্তা হন্দোক্কদবনি।

কোওর্দিনেতিং কমিতি ওফ মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)নসু থাদৌ লুচিংবা নেকাম জোমহাও হাৎখিবগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা চেরোল অমদা হায়- থাদৌ লুচিংবা অসি হাৎখিবগী থৌওং য়ামা লাইবক থিবনি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লুপশিং অমদি থাদৌগী লুপশিং য়াওনা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা মাফমদা শরুক য়াখিবা নেকাম জোমহাওনা রাজ্য অসিদা অমত্তা ওইবগী শক্তম শাগৎপা পান্বগী ৱাখল্লোন ফোংদোক্লমখি। মহাকপু হাৎখিবগী থৌওং অসি রাজ্য অসিদা শান্তি পামজবা মীওইশিংদা চথুরকপা এটেক অমনি। মীতৈ-মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন্নসু মীহাৎ অসিবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

এরেষ্ট (এল)ঃ অনিসুবা মণিপুর রাইফলসতা রাইফলমেন ওইবা মীওই অমা লৈখিদবগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনি পুলিসনা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়- রাইফলমেন অদু মমাং থাগী ২৯ দা চান্দেল জিলাগী ৱিমেন মার্কেটতা থোকখিবা থৌদোক অমদা শোকপদগী চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তমা পুখৎপদা অশোকপনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা চান্দেল পুলিস ষ্টেসন্না এফ.আই.আর অমা লৌখৎলবা মতুংদা থিবা হুন্বগী থবক চখবদা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অনি ঙসি ফাবা ঙমখি। ফারবা মীওই অনি অদু মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবা চান্দেল পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং বি.এস.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙসি নোঙালমদাই পুং ৩ লোম তাবদা লিলোং হঙ্গামথাবীদা লৈবা মীওই অমগী য়ুমদা থিবা হুন্বগী থবক চখবদা-দব্লিয়ু ৱাই তেব্লেট কিলোগ্রাম ২ হেনবা, শেল ওইনা লূপা লাক্ষ ২ লিশিং ৪,৮০০, মোবাইল ফোন ৬, ৱাকি তোকি সেট অমা, সনাগী পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখ্রে। পুলিসনা কেস অমা লৌখত্তুনা হীরম অসিগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে।

বস (এল)ঃ  রাজ্য অসিদা চেল্লিবা সরকার অমদি লনাইগী বসশিংনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওইশিংনা তোংবদা ভারা লৌদনবা সরকারনা খঙহল্লি।

রাজ্যগী দিসএমিলিতিজগী কম্মিসনার দব্লিউ. বিরহরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- রাজ্যগী ট্রান্সপোর্ট বিভাগনা ইং ২০০০ গী জ্ন ১০ দা চেরোল অমা থোক্তুনা সরকার অমদি লনাইগী বসশিংনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওইশিং তোংবদা ভারা লৌদনবা খঙহনখিবা লৈরে। অদুগা মখোয়গা লাকমিন্নবা মাওই অদুগীনা চাদা ৫০ ভারা লৌনবা খঙহনখি। অদুমকপু লনাইগী বস খরনা সরকারগী য়াথং অসি ঙাক্তবগী ৱাকৎ লাক্লে। মরম অসিনা রাজ্য অসিদা চেল্লিবা বসশিংনা মখোয়দগী ভারা লৌদনবা খঙহল্লি। য়াথং অসি ঙাক্তবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

এৱ্যেরনেস(এল) ঃ ইমর্জিং ত্রেন্স ইন হ্যুমেন রিসোর্চ মেনেজমেন্ট হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা জাতি থাক্কী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট ষ্টদিজ অমসুং ইন্দিয়ান সোসাইতি ফোর ত্রেনিং এন্দ দিভলপমেন্ট (আই.এস.টি.দি) রিজনেল সেন্তর কোলকাতা অনি খুৎশমদুনা শিনবনি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না আই.এস.টি.দি ইম্ফাল চেপ্তর অমসু হাংদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রনা হায়- ইনফোর্মেসন টেকোলোজি চাউখৎলবা মতম অসিদা ওর্গনাইজেসন খুদিংমক্তা হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মেনেজমেন্টনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। এ.আই লাকপদগী মতমগী মতুংইন্না থবক থৌরম কয়াদা হেন্না লাইথোকহল্লক্লিবা অসি শিংনদুনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা হেন্না হৈথোই শিংথোইনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লাক্লি।

য়ুনিভর্সিতি অসিগী মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট স্তদিজ অমদি ইন্দিয়ন সোসাইতি ওফ ত্রেনিং এন্দ দেভলপমেন্ট (আই.এস.টি.দি) রিজনেল সেন্তর কোলকতাগা পুন্না খূৎশমদুনা শিনবা থৌরম অসিদা প্রোফেসার অতুল শাহ, নেসনেল প্রসিদেন্ট, আই.এস.টি.দি, নিউ দেল্লিনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

জিরিবাম (এল)ঃ জননেতা ইরাবত মেমোরিয়েল ট্রষ্ট, জিরিবামনা শিন্দুনা ১২৯ শুবা লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থাবুম ঙসি জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা ইরাবতকী মীতমগী অকোইবদা শিৎ শেংবগী থৌরমগা লোয়ননা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ভোলুন্তিয়ারশিংসু শরুক য়াখি। তুংদা, উ চারা থাবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

অমরোমদা, জিরিবাম জিলাগী বোরোবেক্রাগী তোঙান তোঙানবা

লৈকাইশিংদা লৈবা অঙ্গনৱাদি সেন্তর ৯৬ তা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণ কুমারনা ফল্লাং ঘাড়িশিং য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদু জিলা অদুগী দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি।

ককচিং-ডে (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ককচিংনা লমজাউ পার্ট ৱান দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা ৱার্ল্ড হেপ্পাটাইতিস ডেগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী লাংমৈদোং ময়াই লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ভাইরেল হেপ্পাটাইতিসকী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংদুনা মীয়ামদা খঙহনবগা লোয়নননা পুন্না মীওই ৮০ রোমগী সেম্পলশিং লৌদুনা হেপ্পাটাইতিস বি অমসুং সিগী স্ক্রিনিং তৌখি।

টিবি (এল)ঃ ষ্টেট টি.বি. সেল. এয়ারপোর্ট ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া, ষ্টেট হেলথ সোসাইতিনা পুন্না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা টি.বি. লায়নাগী মরমদা মীয়াম্বু খঙহনবগী থৌরম অমা ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এয়ারপোর্টকী ষ্টাফ, পেসেঞ্জর অমদি ভিজিতরশিং শরুক য়াখি।

দোনর (এল)ঃ খাবৈশোইদা লৈবা ববিনা ব্লড সেন্তর অমদি এসোসিয়েসন ওফ ভোলুন্তরি ব্লড দোনর মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা ১০০ রক শুবা সিঙ্গল দোনর প্লেটিলেট (এস.দি.পি)গী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। রাজ্য অসিগী নুপীলক্তগী অহানবা এস.দি.পি দোনর করাম ভিক্তোরিয়া দেবীদা ববিনা হোস্পিতালগী মেনেজিং দাইরেক্তরনা ইকায় খুমবা উৎখি।

উদয়ম(এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রি সেন্তর কাংপোকপীগী মীৎয়েং মখাদা নুমিৎ ৬ নিগী ওইবা উদয়ম রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী দ্রাইভ অমা কাংপোকপী টাউনদা পাঙথোকখ্রে। দ্রাইভ অসি রাইজিং এন্দ এসিলরেতিং এম.এস.এম.ই পার্ফোমেন্স স্কিমগী মখাদা পাঙথোকপনি। রেজিষ্ট্রেসন দ্রাইভ অসি জিলা অসিগী

তোঙান তোঙানবা ব্লোক ৬ তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা ই-শ্রমগী স্পেসিয়েল রেজিষ্ট্রেসন কেম্প অমা থা অসিগী ২ দগী ৫ ফাওবা পোরোমপাৎ দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবনদা পাঙথোক্কনি। কেম্প অসিগী খুদোংচাবা মীয়ামা লৌবীনবা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

অদালট (এল)ঃ থৌবাল দি.সি. অমসুং এ.জি. ওফিস অনি খুৎশমদুনা জি.পি.এফ অদালট অমা থা অসিগী ১২ দা থৌবাল সি.দি. ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি। জি.পি.এফ সবস্ক্রাইবরশিংনা মখোয়গী খুদোংচাদবশিং লৈরবদি অদালট অসিদা খন্নদুনা লোইশিনহৌনবা বাবুপারাদা লৈবা এ.জি. ওফিসতা মখোয়গী ৱাকৎ চেরোল থা অসিগী ৮ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি হায়না এক্কাউন্টেন্ট জেনেরেল মণিপুরনা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

সেদো (এল)ঃ সোসিয়েল এন্দ ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (সেদো) হিয়াংলম লিংখৎখিবগী ২৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। দি.এম. য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর ৱাহেংবম চান্দবাবু, সেদোগী প্রসিদেন্ট এলাংবম গন্ধারুপা, হোমগী জোইন্ট সেক্রেটরিময়েংবম ভেটো য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

হোমগার্দ (এল)ঃ মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী ফংফম থোকপা হকশিং পীথোকপীনবা অথুবদা থবক পায়খৎপীয়ু হায়না রাজ্যপালদা অইবা চেরোল অমা পীদুনা ৱাকৎখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট য়াংলেম মঙ্গিনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা হায়- এসোসিয়েসন অসিনা হোম গার্দকী তোখায়বা কম্মান্দেন্ট জেনেরেল থম্বীনবা, দি.এ চাদা ৩৯ হেনগৎপা, প্রমোসনগী চৎন কাংলোন শেম্বীনবা অমদি সেনিয়ারিতি লিষ্ট শেম্বগী ৱাফম য়াওনা দাবী কয়া তানদুনা লাক্লি। অদুবু দাবীশিং

অসি সরকারগী মাইকৈদগী ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈরি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা রসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ভ্লাদিমির পুটিনগা এস.সি.ও মীফম লোইরবা তুংদা চাইনাগী তিয়ানজিনদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারত অমদি রসিয়ানা হান্নদগী হৌনা অৱাবা তারবা মতমদা মতেং পাংনদুনা লাক্লি। মহাকা হায়- লৈবাক অনিগী মরক্তা অচেৎপা মরী থমদুনা মালেমদা শান্তি রক্সা অমদি নুংঙাই য়াইফবা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়না থাজে। লৈবাক অনিনা লল্লোন ঈতিক, হার, স্পেস, ঙাকশেল অমসুং কলা সংস্কৃতিগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহনবা খন্নখি।

উন্নবা অদুদা, লৈবাক অনিনা হৌজিক চখুরিবা য়ুক্রেনগী লান য়াওনা মালেমগী ৱাফম কয়াগী মতাংদসু খন্নখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

হোক্কি (এল)ঃ মেন্স এসিয়া কপ চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ হোক্কীগী ফাইনেলদা হৌজিক ভারত অমদি কজাকস্থান বিহারগী রাজগীরদা শান্নরি। মেট অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৭ মখায়দগী হৌখিবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ দি.এস.এ চান্দেলনা শিন্দুনা চখুরিবা দি.সি. চান্দেল ট্রোফি সুপর দিভিজন লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লাম্লুং ৱাই.সি.সিনা চুম্বাং এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা কাপম দি.সি অমসুং জিওনলাং এস.ৱাই.সি পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

------